# চাইনাদা মীৎয়েং থমদুনা বাইলেটেরেল মরী ফগৎহন্নবা যুএসকী সেনিয়র ওফিসল কাঠমান্দুদা থুংখ্রে

কাঠমান্দু, জনুৱারী ৩০ (এজেন্সী):
চাইনানা সাউথ এসিয়াদা ইথিল পীবা হেনগৎলকপদা মীৎয়েং থমদুনা লমদম অসিগী লৈবাকশিংগা লৈনরিবা মরী ফগৎহন্নবগী থৌরাং অমগী মনুং চন্না নেপালগা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগীদমক্তা যুএসকী পোলিটিকেল এফিয়র্সকী অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ভিক্তোরিয়া নুলেন নেপালগী কেপিটেল কাঠমান্দুদা থুংখ্রে।



মহাক্কী মরু ওইরবা খোঙচৎ অদুদা অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর পুস্পা কমল দাহলনা লুচিংবা নেপালগী অনৌবা গভর্ণমেন্টগী মেম্বরশিং উন্নরগনি। নুলেন অসি প্রচান্দ হায়রগা হেন্না পাক শন্না খঙনরবা দহালবু হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর খনখিবদগী হিমালয়ন লৈবাক অসিদা খোঙচৎ অমা লাকপা খ্বাইদগী সেনিয়র ওইবা ফোরেন দেগ্নিটরিনি।

নুমিৎ তরেৎনিগী ওইবা খোঙচৎতা নুলেননা জনুৱারী ২৮ অমসুং ফেব্রুৱারী ৩ গী মরক্তা নেপাল, ইন্দিয়া, শ্রী লঙ্কা অমসুং কটার টুর তৌগনি হায়না যুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

দিপার্টমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, নেপালদা নুলেননা যুএস অমসুং নেপালগী পার্টনরশিপকী ওইবা মখল মখা কয়াগী এজেন্দাদা অনৌবা গভর্ণমেন্টগা ইনগেজ তৌগনি। যুএসকী সেনিয়র ওফিসল অসি হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্টশিং বরাক ওবামা অমসুং জোর্জ দব্লিয়ু বুশ য়াওনা অমেরিকন প্রসিদেন্ট অহুমগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা থবক তৌরকপা এক্সপরিয়েন্স মতিক চানা লৈরবা অমেরিকন দিপ্লোমেট অমনি। কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (য়ুনাইটেদ মাক্সিস লেনেনিষ্ট) কী বেক্কিংগা লোয়ননা হান্নগী কম্যুনিষ্ট রেবেল লিদর দাহলনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট শেল্লকখিবগা লোয়ননা অমেরিকনশিংনা হিমালয়ন লৈবাক অসিবু চাইনাগা নকশিন্নহন্দনবা হোৎনরক্লিবনি।

নেপাল গভর্ণমেন্টনা মিলিনিয়ন চেলেঞ্জ কোর্পোরেসন (এম সি সি) গী মখাদা দোল্লর বিলিয়ন ৫০০ কী যুএস গ্রান্ট লৌননবা ৱারেপ লৌখিবা মতমদা বৈজিংনা মদুগী মায়োক্তা কাঠমান্দুদা অথিংবা পীনবা হোৎনখিবনি। নেপালগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমেরিকন গ্রান্ট অদুবু পার্লিয়ামেন্টনা রেটিফাই তৌনবা ৱারেপ লৌখিবদা ৱাশিংতন অমসুং বৈজিংগী মরক্তা কন্না অৱাই অখুম তৌনদুনা য়েৎনখিবনি। বৈজিংগী মায়কৈদগী কন্না য়েৎলক্লবসু নেপালগী পার্লিয়ামেন্টনা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারীদা এম সি সি রেটিফাই তৌখি। মদু চহীসিগী ওগষ্টতগী ওপরেট তৌগদৌরিবনি।

ৱাশিংতনগী নেপালগা মরী লৈনবা খ্বাইদগী মরু ওইনা মীৎয়েং চঙবা পাম্বা থবক্তি এম সি সি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা অসিনি হায়না কাঠমান্দুদা লৈবা য়ুএস এম্বেসেদর দিন থোমসন্না মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। নেপালগী সেক্সন খরনদি হৌজিকসু এম সি সি ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী ৱাফম অসি ওপোজ তৌবা লেপত্রি।

জনুৱারী ১২ দা জর্নেলিষ্টশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনখিবদা থোমসন্না হায়খি, মহাক্কী লৈবাক্না এম সি সি নেপাল কম্পেক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লিবসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেক হোল্ডরশিংনা মদুবু মতম চানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা তকশিন্নরকপদগীনি। যুএস গভর্ণমেন্টনা মখা তানা মায়কৈ অমত্তদগী অয়েৎ অপন পীরকপা পামদবগা লোয়ননা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ গী প্রোজেক্ট অদু চহীসিগী ওগষ্টতগী থবক্তা ওন্থোকপা হৌরগনি।

# ইজরেলগী থৌরাংশিং থিংনবা পলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্টনা সি আই এগী চীফতা তকশিনখ্রে

রমালা, জনুৱারী ৩০ (এজেন্সী):
মশাগী অপান্বা খক্তা যুম্ফম ওইরগা পলেষ্টিনিয়নশিংগী মায়োক্তা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা থিংননবা ইজরেলদা প্রেসর পীননবা পলেষ্টাইনগী প্রসিদেন্ট মোহমদ অবাসনা সি আই এগী দিরেক্তর ৱিলিয়ম বর্ন্সতা তকশিনখ্রে।



নোংমাইজিং নুমিত্তা অবাসনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি ৱাফানা হায়, মশাগী অপান্বা খক্তা যুম্ফম ওইবা থৌরাংশিং লেপহনবগা লোয়ননা খুৎয়েক পীনবা এগ্রিমেন্টশিং ঙাক্ল। চৎনবা বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা লুচিংবা ইজরেলগী অনৌবা গভর্ণমেন্টদা প্রেসর পীনবা য়াম্না থুনা মীৎয়েং চঙবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

ৱেষ্ট বেঙ্ককী সিটি রমালাদা লৈবা প্রসিদেন্সিএল হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকপা মীফমদা অবাসনা বন্সতা হায়খি, মদুদি ইন্টরনেসনেল রিজোলুসনশিংদা যুম্ফম ওইরগা পোলিটিকেল হোরাইজন হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিলহনবা অমদি লমদম অদুগী মীপুম খুদিংমক্কী ইন্টরেষ্টতা সেক্যুরিটি অমসুং ষ্টেবিলিটি লাকহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাই ফদে।

অবাসনা সিআইএগী দিরেক্তর বন্সতা খ্বাইদগী নৌবা দিভলপমেন্টশিং অমসুং হন্দক্তা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালেমদা লাকখিবা উংখৎনবা ফিভমশিংগী মতাংদসু ব্রিফ তৌদুনা হংখি। অবাসকা উন্নদ্রিবৈ মমাঙদা বন্সনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী পলেষ্টিনিয়ন সেক্যুরিটি এপরেটসকী চীফশিংগসু ৱারী শান্নখি।

ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালেমদা ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবৈ শগোলশেল নুমিত্তা সি আই এগী চীফ অসি ইজরেলদা থুংখি। জনুৱারীগী অঙনবা শরুক্তগী ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখি। পলেষ্টিনিয়ন হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না জনুৱারী ১ দগী হৌজিক ফাওবদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা পলেষ্টিনিয়ন ৩২ হাৎখিবগা লোয়ননা পলেষ্টিনিয়ন কয়া অমনা ইজরেল্লি লান্মীশিংগী এক্সনদা অশোক অপন নঙখি। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা জেরুসালেমগী নেবেয়াকোব এরিয়াদা লৈবা সিনাগোক অমগী মনাক্তা থোকখিবা নোংমৈগী এটেক্কী থৌদোক অমদা ইজরেল্লি নিপান শিখিবনি।

থাংজ নুমিত্তনা সিটি অসিদা থোকখিবা অতোপ্পা থৌদোক অমদা মীওই অনী ফিভম লুনা শোকখি হায়না ইজরেল্লি মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

# পুলিসতা টার্গেট তৌদুনা পেসৱারগী মোস্কতা চথ্থরকখিবা সুইসাইদ এটেক্তা মীওই ৩২ শিখ্রে

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ৩০ (এজেন্সী):
নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাকিস্তানগী পেসৱারগী পুলিস লাইন এরিয়াদা লৈবা মোস্ক অমগী মনুংদা চথ্থরকখিবা শাথিরবা সুইসাইদ বোম এটেক অমদা মীওই ৩২ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৪৭ অশোক অপন নঙলে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



সেক্যুরিটি ওফিসলশিং পল্লদুনা জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, সুইসাইদ এটেক্কর অদু লাইশোনগী মতমদা মমাঙ ইথং থংবা পরেংদা য়াওখি। মহাক্না খঙহৌদনা মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হন্দুনা শাথিরবা এটেক অদু চথ্থরকখিবনি।

লাইশোনদা শরুক য়ারিবা মশিং য়াম্লবা মীওইশিং ব্লাষ্ট অদুদা অশোক অপন নঙখি। অথিংবা থমখ্রবা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিস্তান (টি টি পি) না এটেক অদু গ্রুপ অসিনা পাঙথোকপনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। পেসৱারগী পুলিস লাইন এরিয়াদা লৈবা মোস্কতা চথ্থরকখিবা এটেক অদু সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মখোয়গী ইন্সটোলেসনশিংদা টার্গেট তৌদুনা টি টি পিনা চথ্থরকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না জিও ন্যুজনা মখা তারি।

পুলিসকী মতুং ইন্না মোস্ক অদুগী ইমাম সাহিফ জাদা নুর অল অমিন ব্লাষ্ট অদুদা শিখি। জুহর লাইশোন পাঙথোক্লিবৈ নুংথিল পুং ১.৪০ রোম তাবদা সুইসাইদ বোম এটেক অদু চথ্থরকখিবনি। বোম পোকখায়বগী মতম অদুদা পুলিস, আর্মি অমসুং বোম দিস্পোজেল স্কৱাদকী ওফিসরশিং মোস্ক মনুংদা লৈখি হায়না উহৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

মীওই অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মতিক ময়াই লৈরবা ব্লাষ্ট অদুদা বিল্ডিং অদুগী শরুক অমা নিংখায়রকখি অমসুং লাইশোন পাঙথোক্লিবৈ মনুংদা মমাঙ থংবা পরেংদা লেপ্লিবশিং অকায় অতোইশিংনা ননশিল্লন্লগনি হায়না মীয়াম্না মীপায়নখি।

গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না পাকিস্তানগী পিএম সেহবাজ সারিফ অমসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রনা সনৌলা য়াম্না থুনা পেসৱার পাঙলগনি। এটেক অদু পোলিটিকেল পার্টিশিংগী খেন্নবা লৈতনা পাকিস্তানগী পোলিটিকেল লুচিংবশিং পাক শন্না কন্দেম তৌখ্রে।

হান্নগী পিএম অমসুং পি টি আইগী চীফ ইমরান খাননা হায়খি, মদুদি পেসৱারগী পুলিস লাইন এরিয়াদা লৈবা মোস্ক মনুংদা লাইশোন পাঙথোক্লিবৈদা টেররিষ্টশিংনা সুইসাইদ এটেক চথ্থরক্লিবদু ঐহাক্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

# জপানদা উন মপৈনা চেন্থখিবা স্কিয়র অনী ফঙখ্রে

টোকিও, জনুৱারী ৩০ (এজেন্সী):
জপানগী নাগানো প্রিফেকচরদা বেক কন্ত্রি স্কিয়িং মনুংদা উন মপৈ অমনা চেন্থবদগী কোয়থিথিনরকখিবা মীওই অনী নিংথৌকাবা নুমিত্তা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফঙবা ঙম্লবসু মীওইশিং অদু হিংলি হায়বগী খুদম চাংদম অমত্তা উবা ফঙদ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



স্কিয়রশিং অদু ছর্স অমসুং রেস্ক্যু টিম অমনা মিটর ২১০০ ৱাংবা চীং অমদা থেংনখিবনি। মখোয় নোংমাইজিং নুমিত্তা খঙহৌদনা চেন্থরকখিবা উন মপৈনা চেন্থখিবগা লোয়ননা ফুমজিনখিবনি। মীওইশিং অদু কার্দিওপলমোনরি এরেষ্টকী ফিভমদা লৈরম্বা থেংনখি হায়না প্রিফেক্চর অদুগী পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, উন মপৈ চেন্থরকপগী থৌদোক অদু ফোরেন নেসনেল ঙাক্তা ওইবা পুন্না মীওই ১৩ প্রিফেকচর অদুগী ওটারি ভিলেজগী মনুং চন্না লৈবা সুগাইকে কোগেন স্কি রিজোর্টকী কোর্চকী মপানদা স্কিয়িং তৌরিবৈদা থোকখিবনি। উন মপৈ অদুনা ফুমজিনখিবা মীওই মঙাগী মনুংদা মীওই অহুমদি উন মরক্তগী নান্থোকপা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং মীওই অনী উন মপৈনা খঙহৌদনা মশাদা ফুজিল্লকপা অদুদা ৱাখল তাখিদবা মাল্লি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি। ৱেদরগী ফিভম ফত্তবা অমদি অতৈ ফেক্তর খরনা মরম ওইদুনা পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা খুদক্তা থি হুম্বগী থবক হৌবা ঙমখিদে। জপান মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লমদম অদুদা উন কন্না তাখিবগা লোয়ননা চীংমায়দা কুপ্লিবা উনশিং ষ্টেবল ওইদবনা খঙহৌদনা উন মপৈ চেন্থরকপা য়াবগী খুদোংথীবা ফিভম লৈ হায়না ৱার্নিং তৌখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা গুনমা প্রিফেকচরদসু উন মপৈ চেন্থরকপগী থৌদোক অমা থোকখিবগা লোয়ননা স্নো বোর্দর অমা শিখি হায়রি।

# 'যুক্রেনদা ফাইটর জেটশিং পীবগী ৱাফম লৈতে'

বর্লিন, জনুৱারী ৩০ (এজেন্সী):
রসিয়াগা লান কন্না শোক্লরিবা যুক্রেনদা ফাইটর জেটশিং থাবগী ৱাফম লৈতে হায়না জর্মন চাঞ্চেল্লর ওলাপ সোলসনা ফোঙদোকখ্রে।

জমর্ন চাঞ্চেল্লরনা ৱাফম অসি যুক্রেনদা টেঙ্ক কয়া থাবগী ৱাফম য়াখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ফোঙদোরক্লিবনি।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না নাটোনা হৌজিক রসিয়াগা লান শোক্লবা নত্তবনা যুক্রেনদা ফাইটর জেটশিং থাবগী নত্ত্রগা সপ্লাই তৌবগী মথৌ তাদে হায়না সোল্সনা ফোঙদোকখি।

জর্মন লিদর অসিনা মখা তারদুনা মহাক্না মরু ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবদি যুক্রেনদা জমর্নিনা শাবা লেপর্ট টু টেঙ্কশিং পীবা অসিনি। জর্মন পাউচে অমগী ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা বি বি সিগী রিপোর্টনা হায়, ঐখোয়না যুক্রেনদা টেঙ্কশিং থাবগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌখিবদা ঙাইরি। মথংদা লাক্কদবা ৱাফমশিং মতমগী মতুং ইন্না খন্নরক্কদবা ঙাক্তনি। অতৈ মীচংশিংনা প্রেসর পীরকপদগী জমর্নিনা যুক্রেনদা টেঙ্ক ১৪ সপ্লাই তৌবগী ৱাফম য়াখি। যুএসনসু এম ১ অব্রাহম টেঙ্কশিং যুক্রেনদা পীরগনি হায়না লাউথোরকখি।

অমরোমদা, যুক্রেননা নাটোগী মীচং লৈবাকশিংদা ফাইটর জেট কোল্লিসন অমা শেমদুনা মখোয়গী কেপেবিলিটিশিং হেনগৎহন্নবা তকশিনখি। যুক্রেনগী ৱাফম অদুদা যুএসকী মায়কৈদগী মদু য়াম্না চেকশিন্না খন্নরগনি হায়না পাউখুম পীখি।

যুক্রেনগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর এন্দ্রি মেলনিসনা মহাক্কী লৈবাক্তা যুএসকী এফ ১৬ শিং অমসুং এফ ৩৫ শিং, যুরো ফাইটরশিং, টোর্নেদোশিং, ফ্রেন্স রাফেলশিং অমসুং স্বেদিস গ্রিপেন জেটশিং পীরক্কদবা ফাইটর জেট কোল্লিসন অমা শেম্নবা নাটোগী মীচং লৈবাকশিংদা তকশিনখিবনি। অদুম ওইনমক ইন্টরভিয়ু অদুদা জর্মন চাঞ্চেল্লর সোল্সনা নাটোনা রসিয়াগা লান শোক্লবা লৈতে হায়না নৌহৌননা পনবগা লোয়ননা ঐখোয়না লান হেন্না কনশিলহনগদবা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা লৌখৎলোই হায়খি।

সোল্সনা মখা তারদুনা মহাক রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগসু পাউ ফাওনখি অমদি মখোয়না ইকোন কোন্না ৱারী শানখিবদু মমাঙগী থাদনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না অমগা অমগা ৱারী শান্নবা মথৌ তাই। লানগী খুৎলায়শিংগী ৱাফমশিংনা অমা ওইরবসু রসিয়ানা যুক্রেনদা লান্দারিবসিগী মায়োক্তা মহাক্না খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লৈ হায়না সোল্সনা ইন্টরভিয়ু অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES,
KAKCHING DISTRICT.
ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / NOTICE FOR OBJECTION
Kakching, the 30th January 2023

No. Pro/SR/Kak/2022-23: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from N. Khogenchandra, Secretary of the "Laipham Pana Liklai Loishang" Kakching, Kakching District, Manipur on 27/1/2023 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules 2004 within the area of operation of Kakching District, Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or Secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed "Laipham Pana Liklai Loishang" within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed "Laipham Pana Liklai Loishang" Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1)(2) of SR Act 1989 and Rule 6 of MSR Rules 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above-mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **K. Dilipkumar Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Kakching District.

HL-P/5911/31

# বার্ঠ দে পার্টিদা গনমেনশিংনা মীওই নিপান কাপ্তুনা হাৎখ্রে

জোহেনেসবর্গ, জনুৱারী ৩০ (এজেন্সী):
সাউথ অফ্রিকাগী ইষ্টর্ন কেপ প্রোভিন্সতা বার্ঠ দে পার্টি অমদা গনমেনশিংনা চথ্থখিবা এটেক্তা মীওই নিপান শিখ্রে অমসুং অতৈ অহুম্না অশোক অপন নঙখিবগা লোয়ননা কিল্লরশিং অদুবু ফাননবা থী হুম্বগী থবক পাক শন্না চথ্থরি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



সাউথ অফ্রিকন পুলিস সার্ভিস (এস এ পি এস) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মীয়ামদা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ৫.১৫ অমসুং পুং ৫.৩০ গী মরক্তা কেবেরহাগী কোজাকেলেদা লৈবা য়ুম অমদা এটেক্কর অনীনা চথ্থখিবনি। এটেক অদুগী মতুংদা গনমেনশিং অদু মফম অদুদগী চেনখি অমসুং হৌজিক ফাওবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীফা মীপুন অমত্তা লৈত্রি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো অমসুং এটেক অদুগী পান্দম্না করিনো হায়বনচিংবা থিজিনবগী থবক চথ্থরি। পুলিসনা ভিক্তিমশিং অদুগী মমিংশিং ফোঙদোরকখিদ্রবসু এটেক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা য়ুম অদুগী মপু য়াওই হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে। ইষ্টর্ন কেফ এস এ পি এস কম্মিস্নর নোমথে থেলেলি লিলিয়ন মেনেনা হায়খি, মদুদি ভিক্তিমশিং অদু ক্রিমিনেলশিংনা হাৎখিবনি। থোকখিবা থৌদোক অদু চপ চানা করিনো হায়বা খঙদ্রিবা ফাওবা ঐখোয়না তুমিন্না লৈশিল্লোই। ইচম চম্না বার্ঠ দে পার্টিদা শরুক য়ারিবা মশাদা চিংনবা অমত্তা লৈতবা মীওইশিংদা অতম্লনা চথ্থরকখিবা শাথিরবা এটেক অদুদা চেন্নবশিং ফাননবা পুলিসনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

হৌখিবা চহীদা পরিং নাইনা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংনা লৈবাক পুম্বা থম্মোয় শোকহনখিবা মতুংদা ইনৌ নৌবা থৌদোক অসি থোক্লক্লিবনি। হৌখিবা চহীগী জুলাইদা গনমেনশিংনা শুপ্পগী পুং খরখক্কী মনুংদা মফম কয়াদা মথোঙ মরম খঙদনা অউবা মীওইশিংদা নোংমৈ কাপশিনবদা মীওই ১৯ শিখিবনি।

সাউথ অফ্রিকা অসি মালেমগী ওইনা মী হাৎপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। মীওই মিলিয়ন ৬০ লৈবা লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী নোংমৈ নত্ত্রগা অতৈ খুৎলায়শিং শীজিন্নরগা মীওই লিশিং ২০ লোম হাৎলি। কেম্পেইন গ্রুপ গন ফ্রি সাউথ অফ্রিকাগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা রেজিষ্টর তৌবা নোংমৈ মিলিয়ন অহুল্লোম লৈ। মসিগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদবা নোংমৈ কয়ামরুমসু লৈ। মালেমগী মী হাৎপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক অমা ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাদা গেঙ ভাইওলেন্স অমসুং য়ুগী ইথিলনা মরম ওইদুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং তোইনা থোকই।

# য়েমেননা হৌথিশিং থেংননবা অনৌবা রিজার্ব মিলিটরি য়ুনিটশিং শেমখ্রে

অদেন, জনুৱারী ৩০ (এজেন্সী):
মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা য়েমেনদা হৌথি রেবেলশিংগা লান্থেংননবা অনৌবা রিজার্ব মিলিটরি য়ুনিটশিং শেম্নবা নোংমাইজিং নুমিত্তা আরব লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্সিএল লিদরশিপ কাউন্সিল (পি এল সি) গী চিয়ারমেন রাসেদ অল-অলিমিনা রিপব্লিকান দিক্রি অমা ইস্যু তৌখ্রে।

ষ্টেটনা চল্লাইবা সবা ন্যুজ এজেন্সিনা রিলিজ তৌবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, নেসনেল সিল্ড ফোর্সেস কৌবা রিজার্ব মিলিটরি য়ুনিটশিং লিংননবা প্রসিদেন্ট রাসদ অল-অলিমিনা দিক্রি অমা ইস্যু তৌখ্রে।

মিলিটরি য়ুনিটশিং অদু মহাক্না হকথেংননা য়েংশিনগনি অমসুং য়েমেনগী আর্মদ ফোর্সেসকী সুপ্রিম কমান্দর ওইনা মহাক্কী লিচিং মখাদা য়ুনিটশিং অদুনা থবক তৌগনি। দিক্রি অদুগী মতুং ইন্না অল-অলিমিনা ফোর্সশিং অদুগী মশিং মখোয়গী মথৌদাংশিং অমদি মখোয়গী মিলিটরি ওপরেসনশিংগী মফম লেপকনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক খক্তনা ওর্দর ইস্যু তৌবা ঙমগনি। অল-অলিমিনা দিক্রি অমসু ইস্যু তৌদুনা বৃগেদিয়র বাসির সাইফ কাইদ অল-সুবাহিবু নৌনা শেল্লিবা নেসন সিল্ড ফোর্সেসকী কম্মান্দর ওইনা এপোইন্ট তৌখি।

অল-সুবাহি অসি কুমজা ২০১৫ দা হৌথিশিংদগী খা থংবা প্রোভিন্সশিং অমসুং পোর্ট সিটি অদেন লিবরেট তৌনবা চথ্থরকখিবা মমাঙগী মিলিটরি ওপরেসনদা শরুক য়াখিবা মশক নাইবা মিলিটরি লিদরশিংগী মনুংদা অমনি। য়েমেনগী লানদা শরুক য়ারিবা পার্টিশিংনা লৈবাক অদুদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা মরু ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা ৱাৎপদগী কুমজা ২০২৩ দা কনফ্লিক্ট অদুগী অনৌবা ৱেবশিংগীদমক্তা শেম শারি হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা থাসিগী অঙনবদা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা সিজ ফায়র অমা হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা মতম লোইখ্রবা মতুংদা লান অদুদা শরুক য়ারিবা লোকেল ফেক্সনশিংগী মরক্তা মচি মচিদা খুৎ থোক্লখি।

OFFICE OF THE
MANIPUR RENEWABLE ENERGY DEVELOPMENT AGENCY (MANIREDA)
*(An Autonomous Govt. Institution under Power Deportment)*
2nd Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T. Line, Near Imphal Hotel, Imphal — 795001

No. : 64/6/SWH/MANIREDA
Imphal, dated 23/1/2023

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ/ NOTICE INVITING BID

Online tenders are invited from eligible MNRE accredited channel partners/ reputed manufacturer of flat plate collector having BIS certification for their A or B size flat plate collectors with at least 5 years of working experience in design, manufacture, supply, erection, testing & commissioning of 1000 Nos. of Solar Water Heating systems for installation in Manipur.

| Tender NIB No. | Cost of Bid Document | Last date & time for submission of E-Tender | Date & time for opening of the E- Tender |
|---|---|---|---|
| 64/6/SWH/MANIREDA/2022- 23/6 dtd. 23/1/2023 | Rs. 3000/- | 10/2/2023 upto 12.00 Noon | 10/2/2023 upto 2.00 pm |

Tender Document can be downloaded from the websites; www.manipurtenders.gov.in or www.manireda.mn.gov.in. Bidders have to submit the Hard copies of Bid at the office of MANIREDA.
N.B.: MANIREDA reserves the right to cancel the Tender without assigning any reason or without bearing any liability, whatsoever, consequent upon such decision. Vendors need not upload all the required documents in the tender portal but to submit as hard copies to the office of MANIREDA on or before the date of opening of the tender.

**Sd/-N. Praveen Singh**
**Director, MANIREDA**

HL-B/7998/31

MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED
New Directorate Building (Secured Office Complex), 3rd floor, near 2nd MR Gate,
Imphal- Dimapur Road, Imphal, Manipur-795001

No. 1/9/PMU-RE/6532-35
Dated: 30th Jan, 2023

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛ / Press Release

It has come across in a Manipuri daily newspaper of Imphal, **on 30.01.2023 (Monday), under the heading "SAUBHAGYA Schemegi Thadarakpa Rs.198 Crore gi Senpham Kadomda Sijinnakhre Hangluba RTI Activist ama Kihallakhre"** that the RTI Activist Mr. Khumanthem Dhanachandra Singh had submitted a representation to the Chairperson, Manipur Lokayukta alleging Shri Ng. Subhachandra Singh (MD, MSPDCL), Shri Hijam Shantikumar Singh (ED, MSPDCL) along with an unknown person had threatened on the life of RTI activist to withdraw the complaint case no. 6 of 2022 of Manipur LokAyukta. And MD, MSPDCL and ED, MSPDCL will be held responsible for his death penalty handed by any unknown person.

Regarding this, it is to clarify that the above allegation made by the RTI Activist is without foundation and factual evidence. This type of baseless allegation tarnishes the images of the officials of MSPDCL and the trust of general public. Further, the unknown person with the mobile no. 8415858933 as stated in the news is not related and known to us.

SAUBHAGYA, a Centrally Sponsored Scheme under the initiative of Ministry of Power, Government of India was successfully implemented in Manipur benefiting the consumers across the State. Further, all the information and documents sought by the RTI Activist w.r.t. SAUBHAGYA Scheme were also furnished without any hesitation through the State Chief Information Commissioner (SCIC), Manipur Information commission (MIS). And the case no. 68 of 2022 has been closed as per the judgment of SCIC, MIS dated 23/12/2022. MSPDCL had also furnished all documents to Lokayukta without any delay or hesitation as the scheme was fully implemented. Whereas MD, MSPDCL and ED, MSPDCL have nothing to hide, there is absolutely no need for threatening anyone.

Such type of baseless allegation made to the top Officials of MSPDCL are demeaning and unacceptable. For any issues relating to RTI, we are cooperating with the RTI activist/ Manipur LokAyukta without prejudice.

Sd/- **Ng. Subhachandra Singh**
Managing Director, MSPDCL

HL-B/7999/31